ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী আউটরিচ ৱার্কশোপ অমা সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্তরগী ওদিটরিয়ম হোলদা মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি, আই পি এস রাজেস কুমারগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুদা পূন্না মীওই ৩৫০ রোম্না শরুক য়াখি অমদি ইনকম টেক্স ওফিসর ৬না ৱার্কশোপ অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। ইনকম টেক্স ওফিসর ৬ অদুনা সী আর পি এফকী ওফিসরশিং অমদি পার্সনেলশিংদা মায় পাক্না অমসুং মহয় চানা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবগীদক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নোংমৈগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো টিম অমনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ৪.১০ রোম চৎপদা থিবা হুস্বগী থবক চথবদা থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম লৈকায়দগী মুতুম রোমিও (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম হরিদেব কৌবা মীওই অমা বাসিখোং কিত্নপনুংদা কাপ্পা য়ারিবা মরূ অমা য়াওবা ৯ এম এমগী পিষ্টল অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস/এন এ বি পি আর ও পুলিস দিপার্টমেন্ট দল্লিয়ু বাসু (এম পি এস) না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুরনা জর্নেলিষ্ট ৱাংখেম কিশোরচন্দ্রবু এন এস এ পান্দুনা ফাজিন্দুনা থম্ববু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সনাতোন লাইশ্রম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাংখেম কিশোরচন্দ্রবু এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি লাইবক থীবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খুদক্তা ৱাংখেম কিশোরচন্দ্রবু এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসি থাদোক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরম্নসু কিশোরচন্দ্র ৱাংখেম্বু এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্বা অসি য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উশোইপোকপী ভিলেজদা লৈরম্বা অবদুল গাফরবু থা অসিগী ২০দা কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা মতুংদা জেনিমসতা অশিবা হকচাং ওইনা থনম্ববুসু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। অবদুল গাফরবু অন্দরগ্রাউন্দগী মেম্বর অমনি হায়না মরাল পীশিন্দুনা ওৎ নৈবগী থৌওং কয়া চথরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। অসিগুম্বা চিংনবা মীওইনি হায়না ফোঙদোল্লগা এক্সত্রা জুদিসিএল এগজিক্যুসনগী থৌওং চথদুনা অবদুল গাফরবু হাৎখিবা অসি য়ানীংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্বাছ সর্ভেক্ষনগা মরী লৈননা থৌবালদা রেল্লি চৎখ্রে

SWACHH SURVEKSHAN
2019
Jointly Organised by : NSS Unit I,II, III
WAIKHOM MANI GIRLS' COLLEGE, THOUBAL
MANIPUR AND THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL
Venue : Thoubal Bazar
Date : 27/12/2018

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা ফোর ক্লিন এন্দ হেলদি থৌবাল হায়বা থিমগা লোয়ননা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী এন এস এস য়ুনিট ১, ২ অমসুং ৩গা খূৎশম্নদুনা মীয়াম্বু লূ-নাবগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা রেল্লি অমা ঙসি চৎখ্রে।

ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিংনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা রেল্লি অদুদা লম্বীগী নাক য়েৎতা তারম্বা ফত্তবশিংসু খুনে দাক্তুনা মীয়ামদা লূ-নান্না থম্নবা পাউজেল পীখি।

ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ অসিদগী হৌদুনা থৌবাল হাওখা ফাওবা চৎখিবা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা কোলেজ অসিগী এন এস এস য়ুনিটকী প্রোগ্রাম ওফিসর সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না লূ-নানবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়না খন্দুনা অমদি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অসুক কুইনা লূবা-নানবগী প্রোগ্রামশিং মথং মথং তৌরকপনা ঙসিসু থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগা পূন্না ঙসিগী রেল্লি অসি চৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী অকোয়বা লূ-নানবখক্তা নত্তনা ৱাখল লৌশিংসু লূবা-নানবা লোমদা চঙশিল্লবদি খুন্নাই অসি অচৌবা নেসন অমা ওইগনি হায়রদুনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি হান্নদগীসু চঙশিন্দুনা লাক্লি। মখা তানসু লূবা-নানবগী কেম্প্যেনশিং চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ওফ মণিপুর রাইফল (এম আর) মেল ২০১৬ বেটচকী মীফম অমা থা অসিগী ১৯দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা রিজল্ট হায়দোকপীদ্রবদি সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নরগা অকনা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়না খঙহঞ্জখ্রে। অদুবু গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা হায়দোক্তনা থম্বীরি অমসুং রিজল্ট হায়দোকপীদবনা মরম ওইদুনা অহানবা ওইনা নুমিৎয়ুংবদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমগনি। মদু ফাওবা রিজল্ট হায়দোকপীদ্রবদি মখা তাবা তোঙান তোঙানবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অহানবা মণিপুর রাইফলসতা লাক্কদবনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): অহানবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসতা দ্রিল সেট তৌনবগীদমক খনগৎলবা কেন্দিদের্টশিংনা মখোয়গী আইদেন্টিটি কার্দ/এদমিট কার্দকা লোয়ননা থা অসিগী ২৯দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাক্কদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রুপমহল আর্টিষ্ট দ্রমা ফেষ্টিবেলদা *মঙলান ওইহৌরে* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): রুপমহল থিএটরগী প্লাটিনম জুবিলিগী থৌরম চহী অমা চূপ্পা পাঙথোকপগী মনুং চন্না ১৯শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা অসিগী অনীশুবা নুমিৎতা ঙসি কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) উচিৱাগী দ্রামা *মঙলান ওইহৌরে* রুপমহল থিএটরদা উৎখ্রে।

মঙলান ওইহৌরে হায়না মীংথোনবা প্লে অসি থৌনাওজম প্রেমজিৎনা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবনি। *মঙলান ওইহৌরে* প্লে অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি থানিলগী মপা মচাদা লৈজবা ইমুং ওইবনা লৈঙাক্কী থবক অমত্তং তৌজরবদি হিংবা ৱারোই হায়না খঞ্জখি। মসিনা মরম ওইরগা মাম্মনা থবক নোম্বীনবনি হায়দুনা ইঙ্খোল বন্ধোপ থমদুনা শেল পীজখি। অদুবু থবক অদু হায়দোকপা য়ারোই হায়বা কোর্টকী অথিংবা লৈবনা হায়দোকখিদ্রে। শেল হন্দোকপীরো হায়না হায়রুবা মতমদসু ভোট লোইরগা হনে দাক্লগে হায়না ফোঙদোরক্লে।

থৌওং অসিদা ৱাখল লায়না ওইদুনা থানিলগী মপা লৈখিদ্রে। অমরোমদনা বন্ধোপ থল্লুবা ইঙ্খোলদু লৌরগে হায়না বন্ধোপ লৌরিবা মীওই অদুনা হায়রকখি। থবকসু ফংদ্রবা অমদি শেন্থোক লম্বী লৈরক্তুবা হিংবগী মহাও য়াওরক্তুবা মপুন্সিবু নীঙমদবগা লোয়ননা ময়ূম থাদোক্তুনা পন্থুংফম খঙদনা মখোঙ থাংদোরকখি। থোৎনা নৌজবী মচাবু লৌশিনবসু ঙমদা য়ুন্নাক শাগে ওন্দুনা চৎখিবদা নিংঙমদবগী মৈশা লাংহৌরবা থানিলগী পুন্সিবু য়েক্লিবা প্লেনি।

দ্রামা অসিনা মীয়ামদা পীনীংলিবা পাউজেলদি- মীওইবগী অনীংবা অপাম্বা হায়বসি মঙলাননি। শেন্থোক লৈবা পুন্সি মহিং হায়বসিদা লৈঙাক্কী থবক অমা তৌবা ফংবা হায়বা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদা ময়ূম ইঙ্খোল ফাওবা মীগী ওইখিবা হায়বসি ওইথোক্তবা নত্তে হায়বা পাউজেল অদু মীয়ামদা পীবনি। প্লে অসিগী খোঙচৎ য়াম্না য়াঙনা চৎপা হায়বদুদি নত্তে। অদুম ওইনমক ইমুং মনুংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবনা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবা দ্রামা অমদি ওইখি।

দ্রামা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি থানিল - এল খেখে/এস ঐচ বিজেন, চউভল - ও প্রেমকুমার, তোম্পোক - এস ঐচ বিজেন/এল খেখে, অঙাং অমা - মাষ্টর পারি থৌনাওজম, ইবোহল - হেমন্ত লুৱাং, সনাজাওবা - হুইনিংশুংবম লৈশং, অহল অমা - টি ঐচ ইরাচন্দ্রনি। নুপীগী শক্তম লাংলিবশিংনা সনাতোম্বী - মৈকাম বেবিগ্রেস, ইবেমহল - থৌনাওজম উশারানি, কোরস - মোধুবালা, রোসিদা, আশা, মোনিকা, থাম্না, নাওবী, মনিমলা, বিনাবোল, বিশোরজিৎ, বোবো, ফেমস অমসুং অঙৌতোম্বীনচিংবনি। লাইট - এল সুরেন্দ্রা, ম্যুজিক - এস বিশোরজিৎ, কোষ্টুম এন্দ মেক-অপ-মোধুবালা, ট্রান্সপোর্ট - টি ঐচ য়াইস্কুল, প্রদক্সন ইন চার্জ - মৈকাম বেবিগ্রেস, কন্সলটেন্ট - আর কে রাজেন্দ্রো, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর - প্রেমকুমার অমসুং হেমন্তনি। থা অসিগী ২৮দা ইম্ফাল থিএটর ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়গী *লোই ওকপা* উৎকনি।

পাউমী কিশোরচন্দ্র ফাজিনখিববু ঐচ আর এল এননা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱর্ক (ঐচ আর এল এন) গী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা রাজস্থান্দা পাঙথোকখ্রে।

ঐচ আর এল এনগী কম্যুনিকেসন ওফিসর ডা. সেরাম রোজেসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জেনরেল বোদি মীটিং অদুদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২৫দগী লাকপা লোয়রশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিং অমদি রাজস্থানগী সোসল ওর্গেনাইজেসন কয়ানা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌরিবা অদুগী মরমদা খন্ন-নৈনখি। সেসন অমদা মণিপুরগী পাউমী কিশোরচন্দ্র ৱাংখেমচাবু ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নৈ হায়বগী মরালদা লৈঙাক অসিনা এন এস এ পান্দুনা ফাজিন্দুনা থম্ববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখি।

কিশোরচন্দ্রনা মহাক্কী ফেসবুক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা ঝান্সি রানিগী মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুগী মায়োক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লুবগীদমক মহাকপু ফাজিনখিবনি হায়রি।

ঐচ আর এল এনগী ফাউন্দর অমসুং সেনিয়র এদভোকেট ডা. কোলিন গোঞ্জালসনা ফোঙদোকখিবদা কিশোরচন্দ্রবু ফাজিনখিবগী থৌওং অসিগুম্বা অসি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোকনি। মহাক্না ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া ফোঙদোক্লুবগীদমক ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসিগী ৱায়েল চথগদবনি। ষ্টেট অসিনা অসিগুম্বা মীওই অমা ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি অরানবা থৌওংনি। হায় কোর্টতা ৱায়েল চথদুনা অথুবা মতমদা বেল পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

পাউমী খুদিংমক অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট খুদিংমক্না কিশোরচন্দ্রবু শৌগৎলি অমদি মঙোন্দা চথরিবা থৌওং অসি লোগী মায়োক্তনি হায়রি।

ঐচ আর এল এননা লোগী ওইবা মওংদা শৌগৎতুনা মতেং পীবা ঙমদ্রবসু ঐচ আর এল এননা মহাকপু মপূং ফানা শৌগৎলি অমদি মহাকপু ফাজিনবা হায়বসি অন কন্সটিট্যুসনেল ওইবা থৌওংনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনসু ইন্দিয়াগুম্বা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা চথরিবা থৌওং অসি অরানবা থৌওংনি। কিশোরচন্দ্রবু এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি য়ানীংদে। মরম অদুনা য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা কিশোরচন্দ্রবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লিবফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

নিংথম মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা রবি ক্রোপস কেম্প্যেনগী মখাদা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি তুমুখোং ফার্মরস ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপ ইম্ফাল ইষ্ট অমদি খোংজাই চীংখোঙ ফার্মর ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপকা খূৎশম্নরগা নিংথম মহৈ মরোংগী মরূ মরাং য়েন্থোকপা অমদি হান্না য়েন্থোকখ্রবা মরূ-মরাংশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে হায়রি।

খোঙচৎ অসিদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রো, বি এ ও ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

তুমুখোং ফার্মর ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপকী ওইনা চুজাক, হঙ্গাম অমদি হৱাই মঙ্গল মরূনচিংবা একর ১৫দা থানবা য়েন্থোকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা নুঙ্গাইপোকপীগী খোংজাই চীংখোং ফার্মর ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপকা লোয়ননা একর ১৫ পাক চাউনা হৱাই মঙ্গল অমদি চুজাক্লচিংবা থারিবশিং য়েংশিনখি। এগ্রিকলচর দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা ফার্মর ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপশিংদা এম্পিয়র ৫গী ৱাটর পম্প সেট অমা অমদি ৱাটর স্প্রিঙ্কর সেট অমা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা লৌমীশিংনসু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লিহায়না ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ অজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এম য়ুগী ৩শুবা অলমনাই মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৩শুবা অলমনাই মীট ২০১৮ থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অলমনাই এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ঈ বিজয় কুমারনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস এন্দ মণিপুর হায়বা হীরম অসিদা ৱা ঙাঙগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা থবক্তুগী পোথারবা প্রোফেসরশিং প্রোফেসর ঐচ তোম্বী, প্রোফেসর লালদেনা অমসুং প্রোফেসর ঐচ বেহারিনচিংববু থৌরম অসিদা হরাউ তরাম্না ওক্কনি।

অমরোমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অলমনাই এসোসিএসন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইরম্বা প্রোফেসর ঐচ নবকিশ্বরনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। প্রোফেসর নবকিশ্বর মহাক্কী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা ময়ূমদা থা অসিগী ২২দা লৈখিদবনি। মহাক্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী য়াইফনবা অমসুং চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লম্মী হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অলমনাই এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সী ঐচ ইবোহলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাই এ সী পি আইনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): এস বি আইগী মেনেজর ওইবনি হায়বা চহী ৫৫ রোম শুরবা মীওই অমনা থা অসিগী ২৫গী অহিংদা সলাম প্রসান্ত (২৫) বু হাৎখিবনি হায়রিবা থৌদোক অসিবু য়ুথ এক্সন কন্মিটি ফোর দি প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পিপল (ৱাই এ সী পি আই) না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

গাড়ী সাইদ পীদে হায়বগী য়েৎনবগী থৌদোক অমদা নুপামচা অমবু মথবাক্তা অহল অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অসি য়ানীংদে। অসিগুম্বা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মী হাৎপগী থৌদোক অসি ষ্টেট অসিদা অনৌবা নৎত্রে। মরাল লৈজদবা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নোংমৈ লাইসেন্স পীবগী প্রোসেস অসি স্ক্রুটিনি তৌহন্নীংই। তোঙান তোঙানবা ইলিগেল এজেন্টশিংগী খুত্থাংদা লোনা য়াদবা মওংদা নোংমৈ লাইসেন্সশিং পীদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা থৌওং অসি কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ৱাই এ সী পি আইগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চহীগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): থা অসিগী ২৯দা সঙ্গেনথোংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট গেষ্ট হাওসতা ৯লকশুবা দলিট সাহিত্য একাদেমিগী চহীগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা লোক সভাগী মেম্বর ডা. থোকচোম মৈন্যানা চীফ গেষ্ট, ফোর্মর মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম রাজেন্দ্রো, লৈমপোকপম লাখপতি, নবকিরন অমসুং মহারাষ্ট্রা পুলিস ষ্টেসনগী বি এস কোগদা অমসুং ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমিগী নেসনল সেক্রেটরি য়ুম্নাম মহেন্দ্রকুমারনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

অবদুল গাফরগী মীশি জুদিসিএল ইনক্বারি তৌ : ক্লারো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): উশোইপোকপী মখা থরোক লৈকায়দা লৈবা এম দি অবদুল গাফরবু ২৬শুবা অসাম রাইফলস অমসুং থৌবাল কম্মান্দোগী অপূনবা খূৎপু অমনা থা অসিগী ২০গী অহিং পুং ২.৩০ রোম তাবদা এরেষ্ট মেমো পীরমদনা ফাখ্রগা জেনিমস হোস্পিটালদগী অশিবা হকচাং ওইনা থল্লম্ববু সিভিল লিবরটিজ এন্দ হ্যুমেন রাইটস ওর্গেনাইজেসন (ক্লারো) না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

ক্লারোগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ প্রেমকৃষ্ণননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, রুল ওফ লো চৎনরিবা লৈবাক অমদা সেক্যুরিটিগী কষ্টদিদা তমথীনা ওৎ নৈবা, হাৎতোকপা হায়বসি সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী লৈবাক মচা তাদবা লীচৎনি। কষ্টদিয়ন টোর্চর অমদি কষ্টদিদা শিবা হায়বসি চাওখৎলবা মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী তমথীবা ক্রাইম অমনি।

মীয়াম মাঙদা, য়ুমগী মীওইশিংগী মমাঙদা, আর্মি কেম্প মনুংদা চৈনা, রাইফল বটনা ফু-চৈবা, মায়দা, কোক্তা-পুক্তা, থবাক্তা ফুবা অমসুং খোঙনা কাওবা লোয়ননা খোঙনা নেৎপা হায়বসি তৌহৈদবা থবকনি। মীওইবা অমবু মথক মখা ওন্থোক্তুনা য়াল্লগা ফুবা, শ্বর ফুলহনবমখৈ ঈশিং হৈজিল্লগা ফুবা অমদি ওৎ-নৈবা, মখোঙ মখূৎ পুনশিল্লগা লৈমায়দা চিংবা লোয়ননা ফীভম চাদনা মতম শাংনা ফমহনবা, ইলেক্ত্রিক শোক তৌবা, প্রাইভেট পার্টতা ফুবা, মখূৎ পুনশিল্লগা মীৎতা-মায়দা মোরোক মকুপ হৈজিনবা, মশা পূম্বা লৈবাক্তা ফুমজিল্লগা মকোক্তা ঈশিং হৈথবা, নুমিৎ কয়ানি চাক পীজদবা, মীয়াম মাঙদা হঙোই চোঙহনবা হায়বনচিংবা কষ্টদিয়ন টোর্চর অসিনা মী অদুগী মেন্টল বেলেন্স কায়থরকপা, তূম্বা য়াদবা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা কায়রকপা, কোক চীকপা, নীংশিংবা থোক্তবা, ৱাখল মপূং ফানা খনবা ঙমদবা, ঈ ওবা, খোঙ হাম্বা, খোঙ-খূৎ শিথবনচিংবা কয়া থোকহল্লি হায়রি।

সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী কষ্টদিয়ন টোর্চরদা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে অমসুং মীওই কয়াসু শিরকখিগনি। হন্দক্তা এম দি গাফরগী মীশিং অসি কষ্টদিয়ন টোর্চরগী মনুংদা খরদি শোয়দনা য়াওফম থোকই। মরম অদুনা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি তৌবগী মথক্তা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌবনা মরীক চুম্বা শিবগী মরম খঙবা লায়গনি। কেস পায়রিবা আই ওনসু কেসকী চার্জসিট অথুবদা পীখৎপীরক্তুনা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা পার্সনেলশিং অথুবদা চৈরাক ফংহনবা চুমগনি হায়রি। মচা মঙা লৈরবা ইমুং পুরিবা মীওই অমগা লুপা লাক্ষ ৩/৪গা শিন্নবা য়ানীংদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): পাওনা বজারদা লৈবা উষা সিনেমা হোলদা মতম শাংনা মেনেজরগী থৌ পুরম্বা য়ুম্নাম শ্যামসুন্দরনা থা অসিগী ২৩দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর সিনেমা এমপ্লোইজ এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা থা অসিগী ২৫দা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ফোর্মর চ্যেরমেন লাইময়ূম সুর্যকান্তনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা উষা সিনেমা হোলগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর ওকেন অমাকচম অমদি উষা হোল কমপ্লেক্সতা তোঙান তোঙানবা ললোন ইতিক তৌরিবশিংনা শরুক য়াখি হায়না ওল মণিপুর সিনেমা এমপ্লোয় এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ ব্রজবিধুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

খাবৈশোইদা ফ্রী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএন এস): খাবৈশোইদা লৈবা ৭শুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী য়ুনিট হেদ ক্বার্টরনা শৌগৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট এন সী দি সেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তা নোংমগী ওইবা দাইবেটিস, কিডনি ফঙ্কসন অমসুং লিবর ফঙ্কসন য়াওনা হেলথ চেক-অপকী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

তরেৎশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট প্রিয়াদর্সনি লাইশ্রম (এম পি এস) না থোকপা চেরোল অমনা হায়, স্ক্রিনিং কেম্প হেলথ চেক-অপ অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি দাইবেটিস, লিবরগী প্রোব্লেম, কিডনি প্রোব্লেম অসি মতম চানা খঙদোকহৌরবদি মেদিকেলগী ওইবা মথৌ তাবা অনা লায়েং চথবনা কনবা ঙমগনি হায়বদুগী এৱ্যেরনেস পীবনি।

স্ক্রিনিং কেম্প কম হেলথ চেক-অপ অদুদা ৭শুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী পার্সনেলশিং অমসুং ফেমিলি লাইন ক্বার্টর লোয়ননা খাবৈশোই অকোয়বগী ভিলেজদা লৈরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

স্ক্রিনিং কেম্প অসিদা মীওই ৩০০ লোম শরুক য়াখিবদা মীওই ৫০না দাইবেটিস অমসুং মীওই ৩০না হাইপরটেন্সন লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।



FIVE STAR ENGLISH HIGH SCHOOL
(Recognised by BOSEM)
Lilong Turel Ahanbi Dam, Thoubal District, Manipur
MOTTO : BRIGHT CAREER & QUALITY EDUCATION

Last Date of Admission 31-01-2019

ADMISSION OPENED

Session Starts : 14-01-2019

FROM CLASSES NURSERY TO CLASS X
FOR THE SESSION 2019 - 2020

MORNING SHIFT : FROM NURSERY TO CLASS - III
DAY SHIFT : FROM CLASS IV TO X

Achievements of the Students in HSLC Examination - 2018

1st Topper In Lilong Private Centre
Darul Huda Ym.
S/o. MV. Abdul Halem & Mrs. Latiful
Lilong Atoukhong Maning Leikai
Roll No. 33842
Total Mark : 543 PC : 90.5%
Letter marks in : MM (88), Eng. (86), Maths (95), SC (91), S.Sc. (91), HM (92)

2nd Topper In Lilong Private Centre
Md. Ishaque Khan
S/o. Md. Abdul Samad & Mrs. Leima
Lilong Turel Ahanbi Dam Maning
Roll No. 33874
Total Mark : 512 PC : 85.3%
Letter marks in : Man. (84), Maths (86), Sc (84), S.Sc. (94), HM (90)

3rd Topper of FSEHS
Asim Sheikh
S/o. Md. Islamuddin & Huseina Thoibi
Lilong Haoreibi Awang Leikai
Roll No. 33838
Total Mark : 509 PC : 84.8%
Letter marks in : Mn (84), Maths (91), SC (86) S.Sc. (92), H.Sc. (87)

Arif Ahamed
S/o. (L) Syed Asad Ali & Amila
Lilong Atoukhong Mamang Leikai
Roll No. 33837
Total Mark : 503 PC : 83.8%
Letter marks in : Man (80), Maths (92), Sc (85), H.Sc. (91)

Md. Imran Khan
S/o. Md. Idris Ali & Rahamiun
Lilong Ipham Kaleikhong
Roll No. 33872
Total Mark : 501 PC : 83.5%
Letter marks in : Man (80), Maths (82), Sc (81), S.Sc. (92), H.Sc. (95)

Md. Alam Azad
S/o. (L) Md. Zeinulabeddin & Mrs. Haliman
Lilong Chingkham Makha
Roll No. 33858
Total Mark : 499 PC : 83.1%
Letter marks in : Man. (84), Maths (91), Sc (84), S.Sc. (85), HM (89)

Ym. Iqbal
S/o. Md. Rousan Ali & Mrs. Sahida
Lilong Chingkham Makha
Roll No. 33927
Total Mark : 498 PC : 83%
Letter marks in : Maths (96), SC (85) S.Sc. (84), Hm. (89)

Md. Khurshid Alam
S/o. Md. Nasir Khan & Mrs. Miskatun
Lilong Chingkham Dam Makha
Roll No. 33852
Total Mark : 497 PC : 82.8%
Letter marks in : Man (84), Maths (91), S.Sc (83), Hm. (90)

Md. Anish Khan
S/o. Md. Mujibur Rahman & Sitarjan Bibi
Irong Thokchom
Roll No. 33835
Total Mark : 490 PC : 81.6%
Letter marks in : Man (88), Maths (86), (Sc. (83), SSc (83), HSc (84)

Najiya Sheikh
D/o. Md. Islahuddin Choudhuri & Mrs. Hamida
Lilong Chingkham Makha
Roll No. 33984
Total Mark : 488 PC : 81.3%
Letter marks in : Man (86), Maths (90), HSc. (87)

PREVIOUS ACHIEVEMENT OF THE SCHOOL IN HSLC EXAMS 2016 - 2018

Year	Total Appeared	1st Div.	2nd Div.	3rd Div.	Total	Pass %
2006	12	X	06	03	09	75%
2007	16	01	09	06	16	100%
2008	15	04	10	01	15	100%
2009	42	17	24	01	42	100%
2010	43	04	20	17	41	95.34%
2011	50	13	31	03	47	94%
2012	68	35	33	X	68	100%
2013	92	69	23	X	92	100%
2014	100	37	61	X	98	98%
2015	114	28	74	10	112	98.2%
2016	118	45	68	01	114	96.61%
2017	134	82	51	X	133	99.3%
2018	176	116	59	X	175	99.3%

Total No. of Students Appeared : 176		Letter Marks	
Total No. of Students Appeared	: 176	Manipuri	: 20
No. of Pass in 1st Division	: 116	English	: 01
No. of 2nd Division	: 59	Mathematics	: 29
No. of 3rd Division	: Nil	Science	: 12
Total No. of Pass	: 175	Social Science	: 26
P.C. of Pass	: 99.3%	Home Science	: 86
		Higher Maths	: 07

APPLICATIONS ARE WANTED FROM INTENDING CANDIDATE FOR THE FOLLOWING POSTS FOR THE SESSION 2019-20

Sl.	Name of Post	No.	Pay scale	Desirable Qualification
MORNING SHIFT :				
1.	English Teacher	4	Rs. 5500 - 8000/- p.m.	B.A./M.A., Strong in English B.Ed/DElEd with 3 yrs teaching experience
2.	Rhymes Teacher	5	Rs. 5500 - 8000/- p.m.	B.A./B.Sc., Rhymes Trained DElEd/B.Ed. with 3 yrs. teaching experience
3.	Hindi Teacher	1	Rs. 5500 - 8000/- p.m.	Ratana, DElEd/B.Ed with 3 yrs. teaching experience
DAY SHIFT :				
1.	Asst. Teacher Social Science	1	Rs. 6500 - 10000/- p.m.	BA/MA, DElEd/B.Ed with 3 yrs. teaching experience

Last date of submission of application : 31-12-2018
Date of Interview : 05-01-2019 at 10:00 a.m.
(Written & Personality Test)

Please Contact : 9862403784 / 9856593113 / 8787454317

DAY BOARDING FACILITY AVAILABLE

FOR A BRIGHT CAREER OF YOUR WARDS KINDLY VISIT THE SCHOOL & GET ADMISSION TODAY

Sd/-
Principal
Five Star English High School

HL-P/2842/28